# ইহৌ খোঙজং–মীওৎপা তমথিরবা মোদি লৈঙাক্কী মায়োক্তা

## (২০১৮ আগষ্ট ১দগী ১৪ ফাওবা)

নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক পায়রকপা ঙসিদি চহী ৪ মপুং ফারে। পাউচেশিং, ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিং অমদি বিজেপিগী কাংবুশিংনা মোদিগী লৈঙাক্না মীপুম খূদিংবু নুঙাই য়াইফনা থম্বীরে হায়দুনা মীকুপ কাংদনা লাউথোক্তুনা লৈরি। অদুবু লৈবাক অসিগী খুঙ্গং–খুনয়া খুদিংমক্তা পেন্নদবগী অমসুং মীশি মীনাগী অৱাবশিং খুরক হাংদনা হকথেংনররি। মোদি লৈঙাক্কী চহী মরী অসিদা লৈবাক্কী শেল থুমগী ফিভম হায়নিংঙাই লৈতনা ফৎত্রে। মশীং য়ান্নবা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পূবা থাংবা ঙমদ্রবা অৱা অনা কয়া মায়োক য়ারি। মোদিনা ৱাশকখিবা ‘অশে দিন আয়েগা’ হায়বদো হেন্না ইনাক খূনবশিংগীদমক্তা ওইখ্রে। লাইরবশিংগীদি হেন্না শোকচিনবা হেনজিল্লক্লি।

ভারতকী ইকোনোমি য়াংনা চাওখৎলক্লি হায়না মোদিনা পোংজরি অদুবু মসিদি অরানবা ৱাফমনি। মরমদি ভারতকী লন থুম অমসুং শেঙ্গাওগী অয়াম্বা শরুক্কী চাদ ৭৩ ইনাক খূনবা মীওই চাদ অহুমখক ওইরিবা খুজোক অমখত্তঃনা শুপ্পায় পায়শিন্দুনা লৈরি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা খঙহন্দনবা হোৎনদুনা দিমোনিটাইজেসন চথখি অমসুং মীয়ামদগী মখল কয়াগী টেক্স খোমগৎনবা জিএসটি চৎনহল্লিবসিনি। মীয়াম্বু অপংবা শীরদুনা ভারতকী শেল থুমগী খূৎচাওখৎ অসিনা এসিয়ান তাইগরদা শোকচিনহল্লক্লগনি ফোঙদোকখি। মসিমক মপুং ফানা লাল্লবা ৱাফম অমনি। মরমদি মীচম মীয়ামদি লাইরবা পনখৈগী মখাদা লৈবা মীশিংনা হেন্না হন্থবা লৈত্রি।

লৌউ শিংউবগী লমদসু খুদোং থিবা পি থল্লি। ইরৈবাক অসিদা লৌমী কয়া মতোমতা শিজবগী চাং ওন্থোক্লবা ৱাংখ্রে। অসিতসু নত্তনা চাবা কোন্নদবগী অমসুং চারা হেনবগী চাং নেমথবা লৈত্রি। লৌউ শিংউ তৌজবা অমসুং শাশণ য়োকচবা লৌমী কয়ানা মখল কয়াগী ষ্ট্রাইক চঙশিন্দুনা মখোয়না পুথোকচবা পোৎলমগী মমল ৱাংনা লেপ্পীনবা হায়রবসু থওই উৎশিৎপিদ্রি। অহোয়নদুম লৈঙাক অসিনা ললোনবশিংদা হেন্না খুদোং চাবা পীরি। লৈবাকসিদা পোৎ চৈ তাংবা, থবক ফংদবা, অনা লায়েং, য়ুম কৈ শাবিবনচিংবদা করিসু অওনবা পুরকপা লৈত্রি। মীরৈবাক্তা লৈখিবা অরোনবা শেনফমশিং পুরক্কনি ৱাশকখিবা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রবনি। মসি পূম্নমক অসি কোকহননবা রাজনিতিগী অপুনবা মীয়ামগী প্লেটফোর্ম অমা শেমদুনা তমথিরবা ফেসিষ্ট নীতি চৎপা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা থেংনরগদবনি।

মোদি লৈঙাক্না ভারতকী মীয়াম ক্রোর অনীদা থবক পীগনি ৱাশকখ্রগা মদু পাঙথোকপগী মহুৎত্তা হান্না থবক তৌজরম্বা লাক্ষ কয়া থবক্তগী লৌথোক্লক্লি। ‘সবকা সাথ সবকা বিকাস’ লাউজবতনি গ্লোবেল হঙ্গর ইনদেক্স দা রেঙ্ক ১৫ শুবদা লৈরম্বদু ১০০ শুবদা লৈখ্রে। হ্যুমেন দিভলপমেন্ট ইনদেক্সসু ১৩০ শুবা রেঙ্কতা হায়থখ্রে।

রাজনিতিগী ফিভমদা, চহী ৪ চুপ্না মোদি লৈঙাক্না মীয়াম্বু কম্যুনেল ফেসিজমগী চৈনা খাঙহন্দুনা থল্লি। আরএসএসনা সেক্যুলর ওইবা মীওইশিং হাৎতোকপীবতা নত্তনা মাইনোরিটি কয়াবু তমথিনা তৌবিরি। মদুতসু নত্তনা শীন্মীশিং, লৌমীশিং, ছাত্র নহারোলশিংবু নমথদুনা থম্বীবগী মহৈ ওইনা ইহৌ কয়ামরুম চঙশিল্লক্লি। আরএসএসক্কী তমথিখ্রবা শাজৎতা ষণ হাৎপা য়াদে হায়বগী নামাদা ষণ লল্লেনজবশিংবু হাৎতোকপিখ্রে। মরম কয়া অসি লৈবনা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানসু ভারত শীনবা থুংনা চথতরিবা খোঙজং অসিদা শরুক য়ারদুনা আগষ্ট ১দগী ১৪, ২০১৮ দা মোদি লৈঙাক্তগী ঙাকথোকহৌনবা খোঙং চথরি।

ষ্টেট খরদা য়ুনিয়ন গভর্ণমন্টেকী শক্তি শীজিন্নদুনা নমদুনা লৈঙাক পায়রক্লি। অৱাং নোংপোক ভারতকী ষ্টেট অয়াম্বা নমফুদা দেমোক্রেসিগী কাংলোন থুগাইরগা লৈঙাক কায়খি। ত্রিপুরাদসু ফেসিষ্ট নীতি শীজিন্নদুনা শক্তি মুনখিবনি। মণিপুরদসু মেজোরিটি ওইদবা বিজেপি না কংগ্রেসকী এমএলএ ফাওবা লৌশিল্লগা লৈঙাক পায়রি। এন্টি দিফেক্সনগী প্রোভিসনশিং শুকচৎ চৎনদবা চহী হেন্না লৈঙাক পায়রি। অদুবু এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক্কী ৱাথোক অমত্তা নীংথিনা সোলভ তৌবা ঙমদনা লৈরি। য়েলহৌমী কনবা, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট, বোর্দর পীল্লর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক পূম্বা মতম লেন্নবা ইন্থোক–ইনশিন শান্নদুনা লৈরি। লৈঙাক অসিগী ভীজন দোক্যুমেন্টতা কর্ম্মচারিশিং তরেৎশুবা পে পীগনি ৱাশকখ্রগা পীথোকপা ঙমদবদগী ষ্ট্রাইক চথদুনা লৈরি।

লাইরিক লাইশু হৈরবা থবক ফংদবা নহারোল লাক্ষ ৭ হেনবনা ককঙাওনদুনা লৈবান ষ্টেট অসিদা চাওখৎপা পুজরক্কদৌরিবা হ্যুমেন রিছোর্সশিং কাংখথাং ওইহন্দুনা থল্লি। শেঙ্গা থুমজা কয়া হালোংবা তৌদনা চথরি। থবক লৌবদা হান্নগী লৈঙাক্না চপ মান্ননা শেঙ্গা থুমজা তৌরি। গো টু হিল অমসুং গো টু ভিল্লেজ হায়বা প্রোগ্রাম চথদুনা লৈঙাক্কী অরৈবা ওফিসারশিং, কর্ম্মাচারিশিং নম–হাদুনা শীজিন্নরগা ভোৎ খোম্লবা লাক্লরি। মীয়ামগী পেন্নদবা কয়া অসি সিপিআই মণিপুরগী মায়কৈদগী থেংনা থেংনদুনা লাক্লি। হৌজিক্তি মীয়াম্না পার্টিদা অকনবা সপোর্ট পীবিয়ু লোয়নননা লৈবাকসিগী মীয়ামদা থোক তৌরিবা পূম্ননমক পাক শন্না খঙহনবগা লোয়নননা শক্তি লৈনা মখোয়গী অশোয়বা চুমথোকহন্দুনা লৈঙাক্তগী লৌথদুনা অনৌবা লৈঙাক অমা পুরক্লবা হোৎনরসি।

দাবীশিং ঃ ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই। মণিপুরগী ঙমখৈগী লম ম্যন্মারদা পীথোকখিবা আরোই। মণিপুর য়নিভর্সিটিগী ভিসি, এ পি পান্দে খুক্তা লৌথোক্তুনা মহৈরোই লীশিং কয়াগী পুন্সি কল্লু। সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল চৎনবা য়ারোই। ইমপ্লোইশিংগী তরেৎশুবা পে চৎহল্লু।

*মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল,*
*কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া*

লমায় ১ গী মখা

# ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তমদা শীংনরকপগী মায়োক্তা চথখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক লোইশিনখ্রে

কোনুং মমাঙ, হত্তা, তেলিপটি, লম্লোংদা পোরোম্পাৎ, চেক্কোন, ৱাংখৈ, কোংবা বাজারগী দুকানশিং থোঙ হাংনদবগা লোয়নননা জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎপশিংনা লম্বী থিংবগী থবক চথরি।

ইম্ফালদগী খরা হায়দোকখিবা সেকমাই, অন্দ্রো, থৌবাল, ককচিং, সামুরৌ, ৱাঙ্গোই, ময়াংইম্ফাল, নম্বোল, বিষ্ণুপুর, মোইরাং, পাৎসোই,লমশাং, লম্লাই অমদি য়াইঙংপোকপিগী বাজারশিংদা দুকান থোঙ হাংনখিদে। কৈথেল ফম্বীশিং কৈথেল কান্নখিদে।

দেব–কর্ম্ম অমদি অনা–অয়েক্কা মরি লৈনবা গারী মচা মশু খরা নত্তনা পেসেঞ্জর সার্ভিসনচিংবা গারী অমত্তা চেনখিদ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেট লান্না চেনবা পেসেঞ্জর সার্ভিস লেপখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী বামোনকম্পু ৱুমেন ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন, চীংতম সোসিয়েল ৱার্কর য়ুনিয়ন অমদি পুরৈরোম্বা লাই কম্মিটিনসু জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু শৌগৎলদুনা ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী বামোনকম্পু মখা লৈকাই মপাদা থিংখি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি বোর্দর তাউন মোরে অমদি জিরিবামদসু মমি চাওনা তাখি। জিরিবাম বাজারগী দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। স্কুল কলেজশিং ছুটি থানখিবগা লোয়নননা লম্বীদা চখোক চৎশিন তৌনখিদবগা লোয়নননা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি ঙসি অহিং নোংয়াইদা লোয়শিনখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জেনরেল ষ্ট্রাইক্না মীয়ামগী নোংমগী থবক থৌরমদা চাওনা অকায়বা পীখি। কৈথেল, দুকান থোং হাংখিদে, সরকারগী ওফিস অমদি মহৈলোইশঙশিং থোং লোনখি। জিরিবামদগী ইম্ফাল, নুংবা, তমেংলোং, বোরবেক্রা অমদি সিলচর চৎকদবা পেসেঞ্জর গারী অমত্তা চেনখিদে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীখি। ককচিং, ককচিং লমখাই, পল্লেল, ৱাবগাই, ককচিং খুনৌ, ৱাইখোং, শুগনুগী কৈথেল য়াওনা অতৈ কৈথেলশিং ইতাক তাকখি, দুকানশিং থোং হাংন্নখিদে। পল্লেদসু অপুনবা লূচিংবী ইমা পল্লে, য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমদি সোসিয়েল দিভলনপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা মপুং ফানা শৌগৎপগা লোয়নননা লম্বী থিংখি, দুকান অমদি কৈথেলশিং থোং হাংখিদে। শুগনু অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ্নসু জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি শৌগৎতুনা লম্বী থিংখি। হিয়াংলম, ৱাবগাই, ময়াং ইম্ফালগী তোঙান–তোঙানবা মফমদু লম্বী থিংদুনা মপুং ফানা শৌগৎখি।

টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোর্দর টাউন মোরেদা কৈথেল, দুকানশিং হাংলবসু ইম্ফাল মোরে লম্বী থিংখিবনা মরম ওইদুনা ইতাক তাকখি। স্কুল, কলেজ অমদি সরকারগী ওফিসশিং মহৌশাগুম কান্নখি। অদুবু লল্লোল ইতিক্কী থবক্তী চাং য়াম্না নেমখি। সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়নননা অচৎ অওকশিং চেক তৌখি হায়রি।

অমরোমদা আরএসএফনা লাওথোকখিবা হয়েংদগী হৌগদবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুদি লৈবাক মীয়ামগী খুদোংচাদবা য়েংলগা হন্দোক্লে হায়না লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ফাদে হায়খিবা মীওই অহুম হাৎপগীদমক গেলেন্টরি...

মনুংদা দিমাপুরগী সাট মাইলদগী ফারগা হাৎখিবা থাংমৈবন্দদগী ফিজম নাওবী, সগোলবন্দ সয়াং পুখ্রি মপালদগী আর কে রোসন অমসুং লাঙ্গোল লাইমনাইদগী টি ঐচ প্রেম এলাইজ রোমেন কৌবা মীওই অহুম অসিগী মীশিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবশিং অসিগী মনুংদগী মীওই অমগী মচিন মনাউশিংনা এফ আই আর অমা লৌখৎতুনা নাগালেন্দ পুলিসতা থিজিনহনবা মতমদা নাগালেন্দ পুলিসনা হংবদা মীওই অহুম অদু মখোয়না হাৎপা নত্তে হায়দুনা চেনখিবনি। লোয়নননা কেস অসি হৌজিক গুৱাহাতি হায় কোর্টতা লৈরিবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, ৱাথোক অসিগা মরি লৈননা ইহান হানবা ওইনা মেজর টি রবি কুমার কৌবা অমনা মহাক্কী মকোকথোংবশিংদা কোল্ড ব্লদদে ওইবা মীহাৎতা মীওই অহুম অসি হাৎখিবগী ৱাফম পুথোরকপদা মদু নমশিন্দুনা থমখি।

মদুগী মতুং তারকপদা ইং ২০১৬দা লেফটিনেন্ট কর্নেল অমনা অমুক হন্না মহাক্কী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংদা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা চে ইখি। অদুবু মদু মহাক্কী মকোকথোংবশিংনা নমদুনা হন্দাকহনখি। মদুগী মখা তারকপদা মহাকপু আর্মিনা ফাখিবদগী মণিপুর হায় কোর্টকী মতেংদগী মহাকপু থাদোকখিবনি।

লেফটিনেন্ট কর্নেল অসিনা কোর্টদা পীরকপা এফিদেভিটতা ৩–কোর্পস ইন্টলিজেন্স এন্দ সর্ভিলেন্স য়ুনিট অসিনা মীওই অহুম অসি হাৎপদা করম্না চেন্নবগে হায়বগী ৱাফম পনলকখিবনি।

হৌজিক য়াম্না অৱাংবা থাক্কী আর্মিগী সোর্ছ অমদগী ৩–কোর্পস ইন্টলিজেন্স এন্দ সর্ভিলেন্স য়ুনিটকী কমান্দিং ওফিসার কর্নেল জি শ্রীকুমারনা মতম অদুগী কেপ্তেন রুবিনা কৌর কিরবু মীওই অহুম আর কে রোসন, থৌনাওজম প্রেম অমসুং ফিজম নাওবী সিংহবু ওপরেসন অমদা হাৎখিবা লোয়নননা য়ান্নবা খুৎলায়, নোংমৈ মরুনচিংবা পোৎলমশিং সাট মাইল দিমাপুরদগী ফাগৎখিবা অদুগীদমক সেনা মেদল (গেলেন্টরি) পীনবা রিকমেন্দ তৌরমখি হায়বসি দোক্যুমেন্ট অসিনা ময়েক লারবা খুদম ওইরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মীওই ১ তুরেলদা লুপখিবদগী থিবা খঙদ্রে

হি অমদা তুরেলসি লাম্থোক্লবা হোৎনবদা তুরেল ময়াইদা হি অসি ঈশিংদা লাকশিনবদগী লুপখিবনি হায়রি।

ঙরাংদগী পুলিস য়াওনা মহাক্কী খোঙ্গুল লিবগী থবক চথরকখিবনি। অদুবু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা মহাক্কী মফম খঙদ্রি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# নিয়মগী ৱাংমদা লুপা ক্রোর...

লোইদনা লৈরিবা থবক ৫৩০ গী শেনফম অসি ত্রান্সফর তৌরমখি।

হিরম অসিগা মরী লৈনন বেঙ্ক ষ্টেটমেন্ট অসি কৌবদা মদুমক পুথোকপা ঙমদনা লৈরি।

ৱাফম অসি দিপার্টমেন্টদা ইং ২০১৭ কী আগষ্ট থাদা পুখৎলে। দিপার্টমেন্টনা সেপ্তেম্বর ইং ২০১৭ তা হান্নগী অরিবা একাউন্ট অদু থুপচিনখ্রে হায়না খঙহনলকখি। স্কিম অদু থুপচিনখিবা অমসুং শিজিন্নদবা শেনফম অদু হন্দোকখিবনা মরম ওইরগা থবকশিং অদু লোইশিন্দনবগী মরম ওইরে অমসুং মদুনা কোর্টদা লিটিগেসন অমা লাক্লে।

দিপার্টমেন্টনা পীরিবা পাউখুম অদু পেন্নিংঙাই ওইদে হায়না রিপোর্ট অদুনা পল্লি।

অমরোমদা রিপোর্ট অসিনা পল্লিবা অতোপ্পা ৱাফম অমনা আগষ্ট ইং ২০১৬তা চথবাক্ক্রুতিনি রেকোর্দকী মতুংইন্না দাইরেক্টর ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা য়ুনিট ১৮৫গী শিজিন্ননবা মেদিকেল ইক্যুইপমেন্ট মখল ২৬ লুপা ক্রোর ৬.৮৩ চংনা লৈনবা ইং ২০১৫গী মার্চ থাদা দিল্লিদা বেজ তৌবা ফার্ম অমদা শিন্নদুনা থা অনীগী মনুংদা দেলিভরি তৌনবা খঙহনখি।

মেদিকেল ইক্যুইপমেন্টশিং অদু মপুং ওইনা ফমুং ৫০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল সেনাপতি, বিষ্ণুপুর, তমেংলোং অমসুং উখ্রুলগীনি। ষ্টোক রেজিষ্টার য়েংবা মতমদা খূৎশু খূৎলাইশিং অদু মে ইং ২০১৫ অমসুং জুলাই ইং ২০১৫ রিসিভ তৌবগী ৱাফম পনলমখি।

মে ইং ২০১৫ দগী মে ইং ২০১৬ ফাওবদা ফার্ম অদুদা সপ্লাই ওর্দর অদুগী শেনফম পুম্নমক পীথোক্লমখি।

মখা তানা রেকোর্দ য়েংবা মতমদা ইক্যুইপমেন্ট ১৩ (য়ুনিট অমমমদা আইটেম ৭৩)গী ওইনা পীথোকখিবা মমল অসি ইন্সটোলেসন চার্জ য়াওনা লুপা ক্রোর ৬.৩২ নি। অদুবু আগষ্ট ইং ২০১৬ ফাওবা খূৎশু খূৎলাইশিং অদু ইন্সটোল তৌরমখিদে।

হিরম অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্টতা ইং ২০১৭কী সেপ্তেম্বরদা খঙহনখি। মদুগী মতুং তারকপা লৌখৎলকপা থবক্তা ইং ২০১৭কী ওক্টোবর অমসুং ইং ২০১৮গী জনুৱারিদা পীরকপা রিপোর্টতা আইন ৯ খক্তমক ইন্সটোল তৌরম্বা থেংনখি। ইং ২০১৮গী ফেব্রুৱারি থা ফাওবদা লুপা ক্রোর ৩.৬৮গী মমল ওইগদবা লেমহৌরিবা আইটেম ৬৪ অদু পোৎ লৈরবা মতুং চহি অনী ফারক্লবা ফাওবদা ইন্সটোল তৌদনা লৈরি হায়না পল্লি।

# আইইদি থম্লম্বা কন্দেম তৌখ্রে

মতুংদা অমুক হন্না তৌবিগনু হায়রি। অদুগা অসিগুম্বা মীয়াম্না পাম্নদ্রবা থবক অসি তৌরম্বশিংনা মসিগী মতাংদা থোরক্তুনা মীয়ামদা ফোঙনা শেংদোক্কদবনিসু হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পূং ৬ তাবা মতমদা মোরে কৈথেলদা আইইদি প্লান্ট তৌরম্বা থৌওংবু ওল কম্যুনিতি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে (একোদোম), নুপী খুন্নাই চাওখৎ লমজিং লূপ মোরে অমসুং মফমসিদা লৈবা মাইনোরিটি ৱুমেন দিভলপমেন্ট সোসাইযিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

# মোদি লৈঙাক্কী মথোঙ হুক্তবা থৌওংগী মায়োক্তা সিপিআইগী মীফম কোংবদা পাঙথোকখ্রে

পার্টি অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরীয়েট মেম্বর সরত সলামনা হায়, মণিপুরগী ওইনা হৌজিক থেংনরিবা সমস্যাশিং অসি কেন্দ্রদা লৈরিবা মোদিগী লৈঙাক অসি লৈরিবমখৈদি ৱাখিগনি। মরম অদুনা ঙসিগী খোঙজং অসি চঙশিল্লিবনি। ঐখোয়না মসিদা য়েংদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে। পোৎকী মমল তাংখৎখিবা অসিসু লৈবাক অসিগী ওইনদি য়াম্না হেনগৎখ্রবনি। মসিদা মীয়ামদা হেন্না অৱাবা পীরি।

থৌরম মপু ওইখিবা এ লালানা থা অসিগী ১৪ ফাওবা চঙশিনগদবা খোঙজং অসিদা শরুক য়াবিনবসু মীয়ামদা অপিল তৌখি।

# জিপসি হাৎখিবগা মরী লৈননা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে

অমদি ঈভমগী মীওই য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জিপসিগী মনাওনুপা সৈত্যবতানা ফোঙদোকখিবদি ২০১১ আগষ্ট ১৮গী নুমিদাং পূং ৭ রোম তাবদা দিমাপুরগী পাকান বষ্টিদগী ২৪ অসাম রাইফলস অমদি এনএসসিএন (আইএম) গী অপুনবা কাংবু অমনা জিপসি ফাখি হায়না তাক্লক্পদগী দিমাপুর পুলিস ষ্টেসনদা এফআইআর অমা ফাইল তৌখি। মদুগী মখা তানা থিগৎপদা লৈখাই তাবা ঙমদবদগী হায়কোর্টতা ৱাকৎখি। ৱাকৎ অদুগী মতুং ইন্না কেস চথরকপদা আর্মি, অসাম রাইফলস অমদি পুলিসকী মায়কৈদগী মহাকপু ফাখিবা লৈতে হায়না অইবা চেরোল কোর্টতা লানখৎলকপগা লোয়নননা কেস অদু ক্লোজ তৌখিবনি।

মখা তানা তৌফম খঙদনা লৈরকখিবনি। চৈরক অসিদা লেফটিন্টে কর্নেল ধরম্বীরনা মণিপুর হায়কোর্টতা পীখৎলকপা এফিদেবিটতা জিপসি এলাইজ চাংজৌ দিমাপুরগী রঙ্গপহার কেম্পকী কান্তিন মনীংদা ফুমজিনখি হায়না ফোঙদোরক্লিবা অসিনা হান্না ক্লোজ তৌখ্রবা কেস অদু রিওপন তৌরগনি। কেস অসিগী অচুম্বা ৱায়েল শোইদনা ফঙগনি হায়বগী থাজবা থমদুনা চেন্নবা মীওইশিং আইনগী মতুং ইন্না চৈরাক ফঙহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চহী তরেৎ হেল্লক্লবা ফাওবা মরী মখোঙ খঙদবদগী তৌফম থোকপা মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা লৈরি। আইননা য়াদবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনগী কাদর নৎত্রগা মেম্বর ওইরবসু ফারবদি আইনগী মতুং ইন্না ৱায়েল তৌফম থোকপদু অমত্তা তৌদনা হেক্তা হাত্তোকখিবা মশা ফাওবা ফঙহনখিদবা থৌওং অদু পেন্দে হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুনা লাক্লিবা আগষ্ট ৫দা লমদম অসিদা লৈরিবা সিএসওশিংগী মীহুৎ য়াওনা অপুনবা মীফম ফমদুনা জেএসি অমা শেম্বা হায়নসু য়ান্নখি হায়রি।

# মণিপুরগী ইশুশিং সিবা সেনাগী নেসনেল প্রসিদেন্টতা খঙহনখ্রেঃ ষ্টেট প্রসিদেন্ট

ইশু অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লকপা মতমদা মসিগী মায়োক্তা মখোয়না লৈগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসি মপুং ওইনা হৌজিক ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিতি অমনা থিজিনবগী থবক চথরিবনা মদু মীকুপ নাহুমশিংনা য়েংদুনা করিগুম্বা আরনবা থবক তৌরবদি মদুগী মায়োক্তা লেপকনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। মহৈরোইশিংগী পুন্সি মাঙহন্দনবা অমসুং ৱাথোক অসি করিদগী ওইরক্লিবনো হায়বদু থিজিনবা মতমদা অরানবা মওংদা চথরবদি মদু সিব সেনানা চপ চানা থেংনগনি।

সিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী মায়কৈদগী হৌজিক ইনক্বারি তৌরিবা অসি মপুং ওইনা লৈরিবা ভি সি অসি লৌথোক্লবা ইন চার্জ ভি সি অমা হাপ্লগা থিজিনহনবনা চুমগনি হায়না লৌই।

হন্দক্তা রাজ্য সভাদা সি পি আইগী দি রাজানা মণিপুর ষ্টেটকা মরী লৈনবা ইশু কয়া পুখৎলকপা মতমদা ষ্টেট অসিগী এম পি অমসুং নেসনেল পার্টি অমগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরিবা এম পি কে এস ঐচ ভবানন্দনা ষ্টেট অসিগী মরমদা ৱাফমশিং মপুং ফানা পুথোক্তুনা ঙাঙবা ঙমখিদবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফাওই।

ষ্টেট অসিগী ইশুশিং হাউসতা মপুং ফানা মরিক চুম্না থম্বা ঙমদবা অসি লাইবক থিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। মহাক্না হায়, ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমার ঙমখৈ পরিং অসিদা বোর্দর পিল্লর ৮১ খক্তা নত্তনা বোর্দর পিল্লর ৭৯ দগী হৌরগা ৯৫ ফাওবা অসি অমুক হন্না সর্ভে তৌনবা মহাক্কী পার্টিনা দিমান্দ তৌরি হায়খি।

লাক্লিবা ইং ২০১৯গী মীখল অসিদা মণিপুরদা সিব সেনাগী মীরেপ থাদোক্লবা পার্টিগী লুচিংবশিংনা অয়াবা পীরক্লে। লোয়নননা লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা পার্টি অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট উধব থাক্রে ইম্ফালদা লাক্লবা পাউকৎচে পীরম্লে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা তোঙান–তোঙানবা মফমদা ওইখিবা ফিভম



Sugnu Keithel




Jiribam Keithel





A.P.Road., Khurai



Kakching Keithel



Pallel Keithel



Moreh Town




Sagolband Road